www.sanaleibak.in

SANALEIBAK
PROGRESSIVE JOURNALISM
সনালৈবাক

24 Carat/g : ₹ 15,828 | 22 Carat/g : ₹ 14,415 | 1 Kg Silver : ₹ 2,37,199 | 10 Gram Silver : ₹ 2,550 | WEATHER: Heavy Rain | Temperature 23/22°C | Sunrise: 04:44 AM | Sunset : 05:57 PM | Petrol : ₹ 106.87 | Diesel : ₹ 92.57 | GAS TODAY Nill | sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 262 | IMPHAL, TUESDAY, SEPTEMBER 1, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | লৈবাকপোকপা, থৱানগী ১৯ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

GOVERNMENT OF INDIA
BRICS INDIA 2026
হান্নগী মওং কায়হন্দবা, অনৌবা হৌদোকপা
অমগা অমগা তেংবাঙনবা অমসুং তুং কোইবা শেমগৎনবগীদমক
ব্রিক্স সমিত
১২–১৩ সেপ্টেম্বর ২০২৬ | ন্যু দিল্লি, ইন্দিয়া
মীয়ামদা মীৎয়েং থম্বরোমদা চঙশিনবা
মীওইবা ওইবগী মতৌনা হান্না হায়বা ৱাখল্লোন্দা

CBC 14129/13/0011/2627

# মণিপুরদা পাঙথোক্কদবা সেন্সস ওপরেসন য়ৈথোকখ্রে

## লৈঙাক অমসুং মীয়ামগী প্রেসরদা সেন্টরনা ফিরেপ লৌরকপদগী সেন্সস য়ৈথোকপনি, কৌরিবা বন্দ মীয়ামগী য়েংলগা হন্দোকপীয়ুঃ হোম মিনিষ্টর

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (এস এন এস)ঃ

মণিপুরদা পাঙথোক্কদবা সেন্সস ওপরেসন ঙসি দিল্লিদা হায় লেভেল রিভিয়ু মিটিং ফল্লবা মতুংদা লৌরকপা ৱারেপ্পা য়ৈথোকখ্রে।

লৈঙাক অমসুং মীয়ান্না লেপ্তুনা তকশিন্দুনা লাকপা অমদি মীয়ামগী অনীংবা অপান্বা মতুং ইন্না সেন্টরনা ৱারেপ অসি লৌরকপনি। জে এফ দিনা কৌরিবা বন্দ হন্দোকপীয়ু হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী হোম মিনিষ্টর গোবিন্দ দাস কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখ্রে।

সেন্টর লৈঙাক্কী য়াথং মতুং ইন্না ইন্দিয়া পুম্বদা তৌগনি হায়রিবা সেন্সসকী শরুক অমা ওইনা মণিপুরগী সেন্সস তৌনবা সেল্ফ ইনুমরেসন হৌখ্রবা মতুং হয়েং সেপ্টেম্বর ১দগী হাউস লিষ্টিং হৌফম থোকপা সেন্সস ওপরেসনগী প্রোসেস ঙসি সেন্টর লৈঙাক্কী ফিরেপ মতুং ইন্না মণিপুরগী ওইনদি য়ৈথোকখিবনি।

সেন্সস য়ৈথোকপা অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটতগী থাদোরকপা পাউ অমনা হায়, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা চেয়র




লৌরগা ঙসি পাঙথোকখিবা হায় লেভেল রিভিয়ু মিটিংদা মণিপুরগী ওইরিবা ফিভমশিং কুপ্না খন্ন–নৈনরবা মতুংদা সেন্সস য়ৈথোক্লবা ৱারেপ লৌরকপনি। মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লা, চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দ, য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি গোবিন মোহোন য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা মণিপুর মীয়ান্না পাল্লিবা এন আর সি হান্না তৌরগা সেন্সস তৌবা, এন আর সি তৌদনা সেন্সস তৌবা য়ারোই হায়বা দিমান্দশিং কুপ্না খন্নখি। মদুদা মীয়ামগী অপান্বা য়েংলগা সেন্সস য়ৈথোক্লবা ৱারেপ অদু লৌরকপনি। চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহবু মণিপুর মীয়ামগী খোল্লাও তাবিদুনা মীয়ামগী অপান্ববু নীং থুং হনবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ঙসিগী ৱারেপ অসি তারক্লবা হোৎনবদা মমাঙদা দিল্লি চৎতুনা সেন্টরগী লুচিংবশিং উনদুনা তকশিনখিবা এম এল এ অমসুং ১৪ সি এস ওগী লুচিংবশিংসু থাগৎলি। মখোয় য়াওনা মণিপুর লৈঙাক্লা তকশিনখিবা কয়া অদুনা ঙসিগী ফিরেপ অসি লাকখিবনি হায়না ...মখা লমায় ৫দা...

# সেন্সসকী থবক থৌরম ৱিদহেল্ড তৌনবা হায় কোর্টনা খঙহনখ্রেঃ শান্ত

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১(এস এন এস)ঃ

মণিপুর হায় কোর্টতা সেন্সস দিফর তৌবিনবগী মতাংদা থাখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অনীগী হিয়ারিং ঙসি স্পিসিয়েল দিভিজন বেঞ্চনা খন্নরবা মতুংদা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা সেন্সস মখা তাবা নোটিফিকেসন অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা ৱিদহেল্ড তৌনবা কোর্টনা খঙহনখ্রে।

কংলৈপাক ষ্টুদেন্ট এসোসিয়েসন (কে এস এ) অমদি ইন্টরনেসনেল পিছ এন্দ সোসিয়েল এদভান্সমেন্ট (ইপসা) য়াওনা থারকখিবা পি আই এল অমগী মতুং ইন্না চীফ জষ্টিস এম সুন্দর অমদি জষ্টিস এ গুনেশ্বর শর্ম্মানা শরুক য়াদুনা চথখিবা স্পিসিয়েল দিভিজন বেঞ্চ অমনা ওর্দর অদু পাস তৌখিবনি। হায়রিবা ওর্দর অসিগী মতুং ইন্না ষ্টেটকীদমক্তা লেপখিবা এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমনা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা হাউস লিষ্টিংগী থবক অসি ষ্টেটনা চথখিরোই হায়না অন্দরটেকিং পীখি। হীরম অসিগী মতাংদা মথংগী হিয়ারিং ওক্টোবর ১২দা পাঙথোক্লগনি। ...মখা লমায় ৫দা...

# ওফিসিয়েল ওইবা ওর্দর উদ্রিবা ফাওবা জেনরেল ষ্ট্রাইক হন্দোক্লোইঃ জেএফদি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১(এস এন এস)ঃ

এন আর সি অপদেট তৌরবা মতুং সেন্সস তৌগনি হায়বগী ওফিসিয়েল ওর্দর অমা লৈঙাক্লা থোরক্ত্রবদি ঙসি অহিং নোংয়াইদগী সেপ্টেম্বর ১ ফাওবা জে এফ দিনা কৌখিবা পুং ২৪গী জেনরেল ষ্ট্রাইক চথহন্নবা শেম শাবা লোইরে হায়না কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা সোইবম লৈকাইদা লৈবা সিটিজেন ক্লবতা পাঙথোকখিবা ...মখা লমায় ৫দা...

## অহিং য়ারেক্তুনা অকনবা খোঙজং চঙশিনবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১(এস এন এস)ঃ

মীয়ান্না চঙশিল্লিবা এন আর সি অপদেট তৌদ্রিঙৈ সেন্সস তৌদবা হায়বা ইহৌ অসিদা সেন্টর লৈঙাক অমদি মরী লৈনবশিংনা সেন্সস য়ৈথোক্লে হায়বা চপ চাবা অমা লাউথোক্তবা তারবদি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ফম্বী ইমাশিং কৈথেল অসিদা য়ারেক্তুনা শীন্থা লেপ্পা য়াওনা মতম কক্তনা খোঙজং চঙশিল্লক্লবা শেম শারে ...মখা লমায় ৫দা...

# কুকি জো লিদরশিংগী মথক্তা খুদক্তা এক্সন লৌখৎনবা নাগা এম এল এশিংনা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১(এস এন এস)ঃ

কুকি জো লিদরশিংগী মথক্তা খুদক্তা এক্সন লৌখৎনবা নাগাগী এম এল এ ৯ না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট সাহদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা তকশিনখ্রে।

দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর লোসি দিখো, টামৈ এ সিগী এম এল এ অৱাংবৌ ন্যুমাই, কারোং এ সিগী এম এল এ জে কুমো সা, নুংবা এ সিগী এম এল এ দিঙাংলুং গাংমৈ, চিংঙাই এ সিগী এম এল এ খাসিম ৱাসুম, ফুংয়ার এ সিগী এম এল এ লৈসিও কৈসিং, তামেংলোং এ সিগী এম এল এ জাংহেমলুং পানমৈ, উখ্রুল এ সিগী এম এল এ রাম মুইভা অমদি চান্দেল এ সিগী এম এল এ এস এস ওলিসনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট সাহদা কুকি জো লিদরশিংগী মথক্তা খুদক্তা এক্সন লৌখৎনবা অইবা চেরোল পীশিনখিবনি।

চেরোল অদুদা ...মখা লমায় ৫দা...

# কোটুনা পুং ২৪ গী টোটেল সটদাউন লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১(এস এন এস)ঃ

ঙসি অয়ুক এন এস সি এন–আই এম অমদি জেদ য়ু এফ অনী পুন্না আই টি রোদতা লৈবা এন তৈথোং ভিল্লেজদা এটেক চথরক্তুনা কুকি ৩ হাৎখিবা, ৪ না শোকহনখিবা অমদি য়ুম কয়া মৈ থারম্বগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা নেসনেল হায়ৱে ২ ইম্ফাল–দিমাপুর লম্বীদা পুং ২৪ গী টোটেল সটদাউন তৌরগনি হায়না কম্মিটি ওন ট্রাইভেল য়ুনিটি (কোটু) না লাউথোরকখ্রে।

কোটুগী ইনফোর্মেসন ...মখা লমায় ৫দা...

# এস কে এস এমনা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১(এস এন এস)ঃ

সফাই কর্ম্মচারী সজ্ঘ মণিপুর (এস কে এস এম)না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট সোসিয়েল জষ্টিশ এন্দ এম্পৱারমেন্ট রামদাস অথৱালেদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে হায়না সজ্ঘ অসিগী প্রসিদেন্ট থোকচোম সনাতোম্বীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মেমোরেন্দম অদুদা পোইন্ট ৭ থবক ওইনা পাঙথোকপীনবা আপিল তৌখি। ...মখা লমায় ৫দা...

# রামদাসঃয়েলহৌমীশিংগী য়াইফনবা মতম পূন্বা লেপকনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (এস এন এস)ঃ

১৯৫১দা বেজ ইয়র ওইরগা এন আর সি তৌবা, মৈতৈ/মীতৈদা এস টি চলহনবা য়াওনা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংগী য়াইফনবা থবক থৌরম খূদিংমক্তা মণিপুর মীয়ামগীদমক্তা লেপকনি হায়না রিপব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়া (আর পি আই)–অথৱালেগী নেসনেল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা সোসিয়েল জষ্টিস এন্দ ইমপৱারমেন্টকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট রামদাস বি অথৱালেনা




ফোঙদোকখ্রে।

নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা মণিপুরদা থুংলখিবা রামদাস অথৱালেনা পার্টিগী ফিরেপ লাউথোকপগী কোনুং মমাঙদা লৈবা সিটি কনভেন্সন ...মখা লমায় ৫দা...

## ৱাখলগী চিঙ্জাক

নহাক্লা কাখৎনিংদ্রবদি নহাকপু কৈরাক্তা ইনখৎলবসু কাবা ঙম্লোই

## লোইরেদনা

সিঙ্গাপুরগুন্না লংত্রিক লংহন্নেদু ঈশিংনা পুমলং লংহল্লেদনা



খোপচিনখোদনা, ফুঞ্জিনখোদনা খোঙবাল লুপানদু

## হেক্তা হায়জিনবা

### মান্নজৈ মান্নজৈ

মান্নজৈ মান্নজৈ
ইমান মান্নজৈ
অমগা অমগা মান্নজৈ
দিল্লি লৈঙাক্কসু মান্নজৈ
স্বাই লৈঙাক্কসু মান্নজৈ
লুপ ময়ামগসু মান্নজৈ
লুচিংবা শাবশিংগসু মান্নজৈ
ওইদ পাদ ঙাঙবা মান্নজৈ
ৱাজাও ঙাঙবা মান্নজৈ
পঙহায়দা হায়জিনবা মান্নজৈ
মরান শিজিন্নবা মান্নজৈ
অকল অথৌ শাবা মান্নজৈ
মরৈবাক নুংশিবা শাবা মান্নজৈ
ওইজবা থিদবা শাবা মান্নজৈ
কোনশেং শাবা মান্নজৈ
এক্টিং হৈবা মান্নজৈ
ইমান মান্নজৈ
মান্নজৈ মান্নজৈ

# জে পি নদ্দানা রিমসপু এমসকি থাক্তা অপগ্রেদ তৌবদা অয়াবা পীরকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১(এস এন এস)ঃ

রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) পু ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এমস) কি থাক্তা অপগ্রেদ তৌবদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র জে পি নদ্দানা ...মখা লমায় ৫দা...

# পোপি থাবা কাঙবু খক্তা নত্তনা খুলগী চীফশিংসু চৈরাক পীগদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১(এস এন এস)ঃ

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা পোপি থাবা কাঙবু খক্তা নত্তনা পোপি থারল্লিবা মফমশিং অদুবু কোল্লিবা খুলশিংগী চীফশিং, হেদমেনশিং, চেয়ারমেনশিং অমসুং সেক্রেটরিশিংসু য়াওনা চৈরাক পীরগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট হেমন্তকুমারনা থোকপা পব্লিক নোটিস অমনা খঙহল্লি। অসিগুম্বা খুলশিং অসিদা পীরম্বা গভর্ণমেন্ট স্কিমগী খুদোংচাবশিংসু ৱিদদ্রো ...মখা লমায় ৫দা...

# য়ু এন সিনা মতেং পাংদনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১(এস এন এস)ঃ

সেপ্তেম্বর ১ দগী পাঙথোক্কনি হায়না থৌরাংলিবা সেন্সস এক্সরসাইজ অসিদা খুঞ্জাশিংনা মতেং পাংদুনা কোওপরেসন পীবা য়ারোই হায়না য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সি) গী প্রসিদেন্ট এন জি লোরহোনা অর্জেন্ট দাইরেক্টিভ অমা থাদোরকখ্রে।

চেরোল অদুগী মতুংইন্না য়ু এন সিনা ওগষ্ট ১৮ দা পব্লিক ষ্টেটমেন্ট অমা ওইনা ...মখা লমায় ৫দা...

# এন আর সি তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈঃ বিরেন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১(এস এন এস)ঃ

সেন্সস য়ৈথোক্লবনিনা এন আর সি তৌবগী খোঙথাংশিং মণিপুর মীয়ামগী অপান্বগী মতুং ইন্না ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লৌখৎলক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবা লৈ হায়না এক্স চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোরক্লি।

হয়েংদগী হৌগদৌরিবা সেন্সস অসি মণিপুর হায় কোর্টনা দিফর তৌখিবগী মতাংদা পাউমীশিংগা উন্নবদা ...মখা লমায় ৫দা...

# সি এমনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১(এস এন এস)ঃ

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী এন. তৈখাঙ ভিল্লেজদা কুকি ৩ লৈখিদবা অমদি ৪না শোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মরাল লৈবা মীওইশিং লোগী মতুং ইন্না অথুবা মতমদা ফাদুনা চৈরাক পীগনি ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারকখ্রে।

# লৈঙাকপশিংনা এসেমব্লিদা মণিপুর কন্নবা মতিং থোকপা ফিরেপ লৌগদবনিঃ অমুকো

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১(এস এন এস)ঃ

লমদম অসিগী লৈঙাকপশিংনা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লিদা মণিপুর কন্নবা মতিং থোকপা ফিরেপ লৌদুনা সেন্টরদা খঙহনগদবনি। মীয়ান্না চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি ফাগী নত্তে, মণিপুর কন্নবগী ইহৌনি হায়বা খঙবা ফৈ হায়না ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী প্রসিদেন্ট শোরোকখাইবম সঞ্জয়না ফোঙদোকখ্রে।

অমুকো, অমাৱোভা, পি এল এম পি এ এম, কোহর অমদি এম এস এফনা শীন্দুনা ক্বাকৈথেল অখাম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা এন আর সি তৌদনা মণিপুরদা সেন্সস তৌবা য়ারোই হায়দুনা মীয়ামগা লোয়ননা চঙশিনখিবা ৱাকৎ খোঙজংদা শরুক য়ারদুনা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

মীয়ান্না চঙশিনখিবা খোঙজং অদুগা মরী লৈননা সঞ্জয়না হায়, লাইনিং লাইশোল অমদি ফুরুপকী খেন্নবা ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা লমদম অসিদা লৈরিবা ঐখোয় খূদিংমক্না অপুনবা মণিপুরগী ঙমখৈ ঙাক্লবা থৌদাং লৌমিন্নবা মতম ওইরে। ৱাহন্থোক লৈতবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ৱাফমদা মীয়ান্না থাজবা তোক্লসি। ষ্টেট অসিগী ...মখা লমায় ৫দা...

Resolve your court cases & other legal matters through
2nd Saturday 12th September 2026

National Lok Adalat

Lok Adalat is also known as People's Court where parties have an opportunity to directly take part in the resolution of the disputes amicably. Formal rules of procedures and evidence are not applied.

A settlement through a Lok Adalat is completely voluntary and is a final settlement of your case. There is no appeal against the decision of a Lok Adalat. It is absolutely free.




Contacts :
MASLSA : +91-9436239666
HCLSC : +91-6009904973
Imphal West : +91-6009904967
Imphal East : +91-6009904974
Bishnupur : +91-6009904968
Thoubal : +91-6009904965
Ukhrul : +91-6009904972
Chandel : +91-6009904966
Senapati : +91-6009904969
Churachandpur : +91-6009904970
Tamenglong : +91-6009904971

CASES Suited for Lok Adalat
- Cases under Section 138 NI Act
- Family Maintenance Cases
- Electricity, Water Bills and other bill payments (excluding non-compoundable)
- Land Acquisition cases pending before courts/tribunals
- Labour, Employment and Service Matters
- Money/Bank Loan Recovery
- Motor Accidental Claims
- Matrimonial disputes (except divorce)
- Criminal Compoundable offences
- Other Civil cases
- Revenue cases

Issued in public interest by:
Manipur State Legal Services Authority
Under the aegis of National Legal Services Authority
ARD BUILDING, LAMPHEL COURT COMPLEX, LAMPHELPAT-795004
+91-9436239666 maslsa.imphal@gmail.com

# থা অসিগী ৫দা চংশিনগদবা সি জে পিগী খোঙজং থিংনবা থারকখিবা পিটিসন সুপ্রিম কোর্টনা রিজেক তৌখ্রে




ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সি): থা অসিগী ৫দা কোক্রোস জনতা পার্টি (সি জে পি)না ন্যু দিল্লিদা পুলিস হেদক্বার্টর তন্না খোঙজং চংশিনগনি হায়না তৌরিবা অসিবু অথিংবা পীবিনবা থারকখিবা পিটিসন সুপ্রিম কোর্টনা রিজেক তৌদুনা সি জে পিগী খোঙজং অসিনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লো এন্দ ওর্দরদা মখল অমত্তগী অকায়বা পীরক্কনি হায়বগী ৱাফম অমত্তা লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়ানা লুচিংবা বেঞ্চ অমদা ঙসি চথখিবা সুপ্রিম কোর্টকী হিয়ারিং অমদা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপগী থৌদাং অসি সেন্টর নৎত্রগা দিল্লি লৈঙাক্লা লৌগদবনি। অসিদা নৎতনা খোঙজং লোই অমদি ওথোরিটিশিংনা লৈবাক অসিগী লৈরিবা লো ঙাক্লা চৎনবসু খঙহনখ্রে।

হৌখিবা জুলাই ২০দা সি জে পিনা শিন্দুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা য়ুনিয়ন ইজুকেসন মিনিষ্টর রিজাইন তৌগদবনি হায়না চংশিনখিবা খোঙজং অদুদা শরুক য়াবা খোঙজংলোই কয়া পুলিসনা তোঙান তোঙানবা কেস পান্দুনা ফাজিন্দুনা লৈরিবশিং অদু থাদোক্কদবনি হায়না ন্যু দিল্লিগী ইন্দিয়া গেটতগী হৌরগা পুলিস হেদক্বার্টর তন্না চংশিনগদৌরিবা খোঙজং অসিদা সেন্সিটিব এরিয়া কয়া ফাওদুনা চৎকদবনা মরম ওইরগা হায়রিবা খোঙজং অসি অথিংবা পীবিনবা সুপ্রিম কোর্টতা থারকখিবা পিটিসন অদু সি জে আই সুর্য্যাকান্ত, জষ্টিস জোয়মালিয়াবাক্সি অমদি জষ্টিস ভি মোহনাগী বেঞ্চ অমনা হিয়ারিং চথখি। হিয়ারিং অদুদা অদুনা সি জে পিনা থা অসিগী ৫দা চংশিনগনি হায়রিবা খোঙজং অসিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা চিংনবা য়াবা ৱাফম অমত্তা লৈতে।

খোঙজংলোইশিংনা লৈবাক অসিগী লো ঙাক্তুনা পিছফুল ওইবা খোঙজং চংশিনগনি হায়বগী চাওনা থাজবা লৈ। মরম অদুনা এজুমসনদা হৌজিক ফাওবগীওইনা হিরম অসিগী মতাংদা লৌখৎকদবা তঙাইফদবা খোঙথাং অমত্তা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি হিয়ারিং অদুদা পিটিসনরগী মায়কৈদগী লাক্লিবা থা অসিগী ১২ অমদি ১৩দা দেল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ব্রিক্স সম্মিট ফাওবা সি জে পিগী খোঙজং অসি য়ৈথোক্তুনা থন্নবা সুপ্রিম কোর্টতা তকশিনখি।

পিটিসনরগী মায়কৈদগী পুখৎলকপা ৱাফমশিং মুন্না তারবা মতুংদা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপগী থৌদাং অসি মরীলৈনবা ওথোরিটিনা লৌগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি পুলিসনা ফাজিন্দুনা থমখিবা সি জে পিগী খোঙজংলোইশিং অদু থাদোক্লগনি হায়বগী লৈঙাক্লা পীখিবা থাজবা অদু থবক্তা উৎকদবনি হায়না থা অসিগী ৫দা সি জে পিনা ইন্দিয়া গেটতগী হৌরগা পুলিস হেদক্বার্টর তন্না খোঙজং চংশিন্নবা লাউথোকখিবনি।

# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি ইরানগী প্রসিদেন্ট পেজেসকিয়ানগা উন্নদুনা ৱেষ্ট এসিয়াগী কনফ্লীক খন্নখ্রে



ভিসেক, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সি): কিরগিষ্টানগী ভিসেকতা পাঙথোকপা সাংহায় কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সি ও) সম্মিটকী খুদোঙচাবা লৌদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি ইরানগী প্রসিদেন্ট মশৌদ পেজেস্কিয়ানগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা ৱেষ্ট এসিয়াদা থোক্লিবা কনফ্লীক, ইনর্জি সেক্যুরিটি রিজন অসিদা লৈরিবা ইন্দিয়ানশিংগী ঙাক-শেন্দুনা থম্বা অমদি চাবহার পোর্ট য়াওনা তোঙান তোঙানবা কনেক্টিভিটি প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

চৎলিবা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তগী হৌদুনা ৱেষ্ট এসিয়াদা থোক্লিবা কনফ্লীক অসিগী মতুং অহানবা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি প্রসিদেন্ট পেজেস্কিয়ান উন্নদুনা ৱারী শান্নখিবনি।

ৱেষ্ট এসিয়াদা থোক্লিবা কনফ্লীক অসিগী অঙনবা মতমদগী হৌদুনা ঙসি ফাওবা লুচিংবা অনিনা টেলিফোনগী খৃৎথাংদা পিছ, ষ্টেবিলিটি অমদি নেভিগেসনগী মতাংদা ৱারী শান্নদুনা লাকখিবনি।

চৎলিবা চহী অসিগী হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২৮দগী হৌদুনা ইরান য়ুনাইটেদ ষ্টেট অমদি ইজরেলগী মরক্তা থোক্লিবা কনফ্লীক অসিনা মরম ওইরগা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজতা হান্নগী মতৌগুম ক্রুদ ওইল পুথোক পুশিন তৌবা য়াদনা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা ভিসেকতা পাঙথোকপা সাংহায় কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন সম্মিট অসিদা লুচিংবা অনিনা শরুক য়াবা লাকপগী খুদোঙচাবা অসি লৌদুনা লুচিংবা অনিনা অহানবা ওইনা হকথেংননা উন্নদুনা ৱারী শান্নখিবনি।

ৱারি শান্নবা অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱেষ্ট এসিয়াদা থোক্লিবা কনফ্লীক অসি দাইলোগ অমদি দিপ্লোমেসিগী খোঙথাং পায়খৎতুনা ৱেষ্ট এসিয়াগী কনফ্লীক অসি লোইশিন্নবা হোৎনদুনা রিজন অসিদা ইং-তপ্পা থম্বগী মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি। অসিদা নৎতনা ইন্দিয়া অমদি ইরানগী মরক্তা লৈরিবা বাইলেটরেল রিলেসনসিপ অসি অমুক্কা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা শান্নখি। মরুওইনা ইন্দিয়ানা ইরানদগী থল্লিবা ইনর্জিগা মরী লৈনবা ইন্টরেষ্ট অমদি ইরানদা লৈরিবা ইন্দিয়ান নেসনেলশিংগী সেফটি অমদি ৱেলফিয়ারগী মতাংদসু কুপ্পা ৱারী শান্নখি।

অমরোমদা কিরগিষ্টানগী ভিসেকতা পাঙথোকখিবা ২৬শুবা এস সি ও সম্মিট অদুদা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মকোকথোংবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি। এস সি ও সম্মিট অদুদা চাইনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিং, রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিন, পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সরিফ অমদি সেন্ট্রেল এসিয়াদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মকোকথোংবা লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা হৌখিবা চহী ২০২৩দা এস সি ওগী মেম্বর ওইখিবা ইরানগী মায়কৈদগী এস সি ওদা য়াওরিবা লৈবাক কয়াগা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নদুনা অমদি ৱেষ্টর্ন কন্ট্রিশিংগা পার্টনরসিপ ওইদুনা মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা ওইনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনদুনা লাক্লি। ইন্দিয়াগী ওইনদি এস সি ও সম্মিট অসি লৈবাক অসিগী লৈজরিবা ষ্ট্রেটেজিক অমদি ইকোনোমিক ইন্টরেষ্ট অসি ঙাক্তুনা থন্নবগীদমক এস সি ওগী মেম্বরশিংগা অফবা মরী থম্বা হায়বা অসিনা মরুওইবা পান্দম ওইরি।




**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
**KONTHOUJAM, IMPHAL WEST**
Ref. : Mut. Case No. 254/SDC/IW(K) of 2026

Naorem Damodar Singh S/O (L) Ibomcha Singh of Wahengbam Leikai. - Petitioners

-Vs-

(Late) Naorem Ibungomacha Singh S/O (L) Shajou Singh of Khwai Wahengbam Leikai. - O.P.Party

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE**
Date 31/08/2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার N. Ibungomacha Singh, পীং মৃ: Shajou Singh, সাং Khwai Wahengbam Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নং 82-Moidangpok Khunow গী অনৌবা পট্টা নং 85 (New), দাগ নং 228 অমসুং এরিয়ানা 0.16 acre চাওবা Phourel ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমতগী আপ্তি লৈত্রে হাইনা লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector Konthoujam
Imphal West, Manipur

SL/Jeena/01.

## সমুদ্রগী অরুবা ঈরোলনুংদা ওপরেসন চথবা ঙম্বা আই এন এস নিপুন ইন্দিয়ান নেভিনা কম্মিসন তৌখ্রে



মুম্বাই, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সি): সমুদ্রগী অরুবা ঈরোলনুংদা খুদোঙথিনিংঙাই ওইবা ওপরেসন কয়া মায় পাক্লা চথবা ঙম্বগী তোঙান তোঙানবা খুদোঙচাবা কয়া য়াওবা আই এন এস নিপুন ভেসেল অমা ইন্দিয়ান নেভিনা নৌনা কম্মিসন তৌখ্রে।

হৌখিবা ২০২৫তা আই এন এস নিসতার কম্মিসন তৌখ্রবা মতুং সমুদ্রগী অরুবা ঈরোলনুংদা ওপরেসন চথবা ঙম্বা অনিশুবা ভেসেল ওইনা আই এন এস নিপুন ইন্দিয়ান নেভিনা কম্মিসন তৌখিবনি।

২০২৫তা আই এন এস নিসতার কম্মিসন তৌখ্রবা মতুং নৌনা আই এন এস নিপুন কম্মিসন তৌখিবা অসিনা ইন্দিয়ান নেভিনা সমুদ্রগী অরুবা ঈরোলনুংদা অখন্নবা দাইভিং, ইন্টরভেন্সন, সেলবেজ এন্দ সবমেরিন রেস্ক্যু সপ্পোর্ট কেপাবিলিটি অমুক্কা হেন্না মায় পাক্লা চথবা ঙল্লগনি হায়না ইন্দিয়ান নেভিগী ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়ান নেভিগী মতুং ইন্না ঙসি নৌনা কম্মিসন তৌখিবা আই এন এস নিপুননা সমুদ্রগী মিটর ৩০০ ফাওবা লুবা ঈরোলনুংদা ওপরেসন চথবা ঙম্বগী মপাঙ্গল য়াওবদা নৎতনা লেপ্পা লৈতনা সবমেরিন রেস্ক্যু তৌবা ঙম্বগী খুদোঙচাবা কয়া লৈরগনি।

অসিদা নৎতনা দিজাষ্টর রিলিফ অমদি হ্যুমেনিটরিয়ান ওপরেসন আই এন এস নিপুন দিপ্লোয় তৌবা য়ারগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি আই এন এস নিপুন অসি হিন্দুষ্টান সিপয়ার্দ লিমিটেদনা দিজাইন তৌবদা নৎতনা কনষ্ট্রক তৌবা লৈবাক অসিগী ইন্দিজিনস ভেসেল অমনি। ভেসেল অসি চাওরাক্লা মিটর ১১৯.৪ শাংবগা লোয়ননা ১০,৫০০ কেপাসিটি লৈ। সমুদ্রগী অরুবা ঈরোলনুংদা ওপরেসন মায় পাক্লা চথনবগী পান্দমদা হিন্দুষ্টান সিপয়ার্ট লিমিটেদনা অখন্ননা দিজাইন তৌদুনা কনষ্ট্রক তৌবা ভেসেল অমনি।


আই এন এস নিপুন কম্মিসন তৌবা অদুদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়ান নেভিগী চীফ এদমিরেল কৃষ্ণনা স্বমিনাথননা নোংমা নোংমগী মতমগা চুন্নবা ভেসেল কয়া থমদুনা লৈবাক অসিগী লৈরিবা মেরিটাইম ইনভাইরোমেন্ট অসি ঙাক শেন্দুনা থম্বা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি।

## য়ু থকপগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসিগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা নেসনেল অলকোহল পোলিসি থম্বা মথৌ তারে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সি): হৌখিবা চহী খরা অসিদা লৈবাক অসিদা য়ু থকপগী চাং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা অসিগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী অখন্নবা নেসনেল অলকোহোল পোলিসি থম্বা মথৌ তারে হায়না আই সি এম আরগী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ মিদিকেল রিছার্স-নেসনেল ইনষ্টিট্যুট ওফ কেন্সর প্রিভেন্সন এন্দ রিছার্স, নোইদা (আই সি এম আর-এন আই আই সি পি আর)গী দাইরেক্টর ডো. সলিনি সিংহনা লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা পাউচে অমদা ফোঙদোরকপদা টোবেকো প্রদক থিংনবা টোবেকো প্রদক এক্ট, ২০০৩গী মখাদা তোঙান তোঙানবা হিরমদা অথিংবা থম্বগুম লৈবাক অসিদা অলকোহলগা মরী লৈনবা অখন্নবা পোলিসি থম্বা মথৌ তাই। লৈবাক অসিদা অলকোহলদগী চহী খুদিংগী মীওই কয়া লায়না পোকহন্দুনা লৈখিদবা কয়া থেংনরি। অসিদা নৎতনা শেলমিৎলোনদসু য়ান্না চাওনা অকায়বা পীবগী থৌওং থেংনরি হায়না ফোঙদোরক্লি।



**Crossword # 1131**

Across
1. Heaviest U.S. president
5. Rhymer's scheme, perhaps
9. Windmill blade
13. Man, but not Woman
14. Give a makeover
15. Decorator's decision
16. Potential Guinness World Records entry
17. Comic strip witch
19. Kind of plate
21. Beat it!
22. Munster man
23. Sites of abs and lats
24. Roy Hobbs' "Wonder Boy"
27. Shah Jahan's domain
28. Metalworker's tool
30. Co. perk, perhaps
31. Wolfe the sleuth
33. "Ad astra per ___" (Kansas motto)
34. Spring mos.
36. Comic strip barker
38. White adored by 37-Down
39. Change for the better
41. Prescribed amount
43. Behaviorist's advanced degree
44. Like Jeremiah
46. Grazing grounds
48. Strong longing
49. Peter Fonda 1997 film role
50. Cry of dismay
51. Lawyer/writer Gardner
52. Kicked off
55. Winsor McCay comic strip
59. Archibald of NBA fame
60. Targets for modern mice
61. Dam up
62. Aka Romain de Tirtoff
63. Singing Horne
64. Common conifers
65. Major Hoople expletive

Down
1. Small quarrel
2. Having a row, maybe?
3. Space traveler of serials
4. Canine restraint
5. Shady recess
6. European capital
7. Turbulent time
8. Crybaby's plaint
9. Null's companion
10. Every one of
11. Silent bid
12. Slab stat
15. They may be thumped
18. Carnival locales
20. Persian Gulf republic
23. Young comic heroine
24. Fictional reporter
25. Crossword section
26. Springtime events
27. Current matter?
28. Flammable '60s item
29. Word with special or photo
30. Creature that's part woman and part bird
32. 1967 Oscar winner Parsons
35. Tree output
37. Disney cartoon character
40. Boorish fellows
42. "A-Tisket, A-Tasket" singer
45. Itty-bitty
47. Had coming
50. Physics units
51. Sicilian spouter
52. Small merganser
53. Kett of old funnies
54. Insect repellent ingredient
55. "Diamond ___"
56. Winter coat?
57. Weigh station unit
58. The hot saison

পাউখুম লমায় ৭দা ...

**Manipur University**
**Canchipur: Imphal**

No. MU/3/Adm/Aca/24: Dated 31st August, 2026

**ADMISSION NOTICE/681**

**Admission To Two-Year Postgraduate Programmes Through Non-CUET Mode**

In continuation of this office notice No.667 dated the 12 August 2026, online applications are invited for admission to fill the remaining category-wise vacant seats in the following 2-year PG programmes for the academic session 2026-27

**2-year PG Programmes (Category wise vacancies):**

| SLNO | Programmes | UR | OBC | SC | ST | EWS | Totel |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 01. | M.Voc in Entrepreneurship & Foreign Trade | - | 02 | - | 11 | 04 | 17 |
| 02. | M.Voc in Tourism & Hospitality Management | - | - | - | 10 | 04 | 14 |
| 03. | MA/MSc in Anthropology | - | - | - | 10 | 04 | 14 |
| 04. | MA in Ancient History & Archaeology | 01 | 01 | - | 23 | 08 | 33 |
| 05. | MA in Adult Continuing Education & Extension | 02 | - | 01 | 11 | 04 | 18 |
| 06. | MSc in Biotechnology | - | - | - | - | 02 | 02 |
| 07. | MSc in Botany | - | - | - | - | 08 | 08 |
| 08. | MSc in Chemistry | - | - | - | 09 | 04 | 13 |
| 09. | Master of Commerce (M.Com) | - | - | - | 12 | 06 | 18 |
| 10. | Master of Computer Applications (MCA) | - | - | - | 09 | 06 | 15 |
| 11. | MSc in Earth Sciences | - | - | - | 03 | 02 | 05 |
| 12 | MA in East Asian Studies (Myanmar & China) | 08 | 03 | 01 | 06 | 02 | 20 |
| 13. | MA in English & Cultural Studies | - | - | - | 11 | 08 | 19 |
| 14. | MSc in Environmental Science | - | - | - | - | 02 | 02 |
| 15. | Master of Fine Arts (MFA) | 02 | 03 | 01 | 11 | 04 | 21 |
| 16. | MSc in Forestry | - | - | - | - | 03 | 03 |
| 17. | MA in Hindi | - | 02 | - | 18 | 06 | 26 |
| 18. | Master in Human Rights | - | - | - | 06 | 02 | 08 |
| 19. | MA in Manipuri | - | - | - | 3 | 13 | 16 |
| 20. | MA/MSc in Mathematics | - | - | - | 16 | 07 | 23 |
| 21. | MA in National Security Studies | - | - | - | - | 05 | 05 |
| 22. | MSc in Physics | - | - | - | 07 | 05 | 12 |
| 23. | Master in Physical Education and Sports (MPES) | - | - | - | 12 | 06 | 18 |
| 24. | MA in Political Science | - | - | - | 20 | 10 | 30 |
| 25. | MA/MSc in Psychology | - | - | - | 05 | 07 | 12 |
| 26 | MA in South East Asian Studies | - | - | - | 03 | 04 | 07 |
| 27. | MA/MSc in Statistics | - | 07 | 01 | 12 | 04 | 24 |
| 28. | MSc in Zoology | - | - | - | 10 | 08 | 18 |

*Note: Seat may be increased or decreased subject to final vacancy of the subject concerned*

**Eligibility Criteria:** Kindly check e-Prospectus 2026-27 uploaded on the University website (www.manipuruniv.ac.in)

**How to Apply:** Online Applications may be submitted at https://manipurunivadm.samarth.edu.in/2026 General Instructions: An application fee of Rs. 300/- for UR/OBC/EWS candidates and Rs. 200/- for ST/SC/PWD candidates are to be paid online using Debit Card Credit Card/Net Banking/UPI only. Selection Criteria: It shall be announced by the concerned departments of the University. Important Dates:

| | |
|---|---|
| Start of Online Submission | 01.09.2026 |
| Last Date for Online Submission | 04.09.2026 |

Sd/-
(Prof. M. Premjit Singh)
Registrar

SL/Sus/01

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: TULIHAL, IMPHAL EAST**

Sapam Tampha Devi W/O (Late) Sapam Shamungou Singh of Yairipok Laimanai. -Petitioner

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE**
*Tulihal, Date 27/8/2026*

নোটিশ অসিগী মতুং ইন্না খঙহল্লি, মদুদি (Late) Sapam Shamungou Singh লৈফমনা Yairipok Laimanai লৈকায়দা লৈবা অসি 13-12-2020 ইংদা লৈখিদ্রে। মরম অসিনা মহাক্কী লোয়নবী Petitioner Sapam Tampha Devi অসিনা মহাক মশামক অসি লৈখিদ্রবগী Legal Wife নি হায়রে। মরম অদুনা Legal Wife Certificate পীবিয়ু হায়রে।

মরম অসিনা কনাগুম্বনা Petitioner গী মিংদা Legal Wife Certificate পীখিবদা য়ানিংদবা-য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অফিস অসিদা Objection তৌরবা য়াগনি, নৎত্রবদি হায়রিবা অসিগী মতুংইন্না লাকপা Objection ওফিস অসিনা লৌরোই অমসুং ওফিসকী হৌনবী মতুং ইন্না Process অসি মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Tulihal Imphal East

SL/RP

## ভোটর লাক্ষ ৪৮গী মিং য়াওরকখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সি): ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজন (এস আই আর) পাঙথোক্তুনা নৌনা ফোঙখিবা দেল্লিগী ইলেক্টোরেল রোলদা ভোটর লাক্ষ ৪৭.৬কী মিং য়াওরকখিদ্রে। পনবা য়াবদি এস আই আর পাঙথোক্ত্রিঙৈ দিল্লিগী ওইনা পূন্না ভোটর ক্রোর ১.৪৫ রেজিষ্টার তৌদুনা লৈরমখি। অদুবু অনৌবা ই সি আইগী ইলেক্টোরেল রোল অসিদা ভোটর লাক্ষ ৯৭.৫ তা হস্থরকখিবনি হায়রি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
**IMPHAL WEST (KONTHOUJAM)**
Ref. R.R. No. 99 /SDC/IW(K) of 2025,

Smt. Maichonbi Kabuini W/O (L) Kamei Amir Rongmei of Konthoujam Mamang Leikai.

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE**
Konthoujam the 31/8/2026

অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খংহল্লি মদুদি Smt. Maichonbi Kabuini গী মপুরোইবা (L) Kamei Amir Rongmei সাং Konthoujam Mamang Leikai দা লৈবা অসি হৌখিবা তাং 15-05-2026 ইংদা মৃতু ওইখ্রে মরম অদুনা নুপী অসিনা মঙোন্দা Legal Wife Certificat পীবীয়ু হাইজররে। মসিদা কনা কনাগুম্বনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদী পাউ চে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭(তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রগদী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector, Konthoujam
Imphal West

SL/Jeena/01

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
**IMPHAL WEST (KONTHOUJAM)**
Ref. R.R. No. 113 /SDC/IW(K) of 2025,

Smt. Gurumayum Bidya Devi W/O (L) Hidangmayum Surendra Singh of Awang Jiri Mamang Leikai.

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE**
Konthoujam the 31/8/2026

অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খংহল্লি মদুদি Smt. Gurumayum Bidya Devi গী মপুরোইবা (L) Hidangmayum Surendra Singh সাং Awang Jiri Mamang Leikai দা লৈবা অসি হৌখিবা তাং 28-06-2026 ইংদা মৃতু ওইখ্রে মরম অদুনা নুপী অসিনা মঙোন্দা Legal Wife Certificat পীবীয়ু হাইজররে। মসিদা কনা কনাগুম্বনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদী পাউ চে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭(তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রগদী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector, Konthoujam
Imphal West

SL/Jeena/01

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
**IMPHAL WEST DISTRICT (KONTHOUJAM)**
R.R. No. 112 /SDC/IW(K) of 2025,

Smt. Laishangbam Mema Devi W/O (L) Laishangbam Ibomcha Singh of Konthoujam Makha Leikai.

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE**
Konthoujam the 31/8/2026

অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খংহল্লি মদুদি Smt. Laishangbam Mema Devi W/O (L) Laishangbam Ibomcha Singh of Konthoujam Makha Leikai দা লৈবা অসি হৌখিবা তাং 04-08-2026 ইংদা মৃতু ওইখ্রে মরম অদুনা নুপী অসিনা মঙোন্দা Legal Wife Certificat পীবীয়ু হাইজররে। মসিদা কনা কনাগুম্বনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদী পাউ চে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭(তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রগদী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector, Konthoujam
Imphal West

SL/Jeena/01

# য়ু এসনা ইরানগী লরাক আইলেন্দদা বোম থাদখ্রে



ক্যিব, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সি):

য়ু এস মিলিটরিনা জুলাই অথেংবা মতুংদগী ইরানগী মথক্তা মখোয়গী অহানবা এটেকশিংদা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজদা লৈবা লরাক কৌবা অপীকপা ঈথৎ অমদা লৈবা ইরানগী রোকেট লোঞ্চরশিংদা এয়ার এটেকশিং চথখ্রে।

এটেকশিং অদু মরুওইবা ঈশিং লম্বী অদুদগী মখোয়না এক্সপ্লোসিবশিং শেংদোকপা মপুং ফানা লোইশিল্লে হায়না লাউথোকখিবা নুমিৎ খরনিগী মতুং ষ্ট্রেট অদুদা সি মাইনশিং হেন্না থন্নদগী ইরানবু থিংনবগী পান্দমনি হায়না ৱাসিংটননা হায়খি।

ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজদা অকিবা পীরকপা য়াবা আই আর জি সি (ইরানগী রিভোলুসনরি গার্দস) কী মাইন থন্বা ফোর্সশিংগী মথক্তা য়ু এস ফোর্সশিংনা অকক্নবা, মপা চুন্বা থবক লৌখৎখ্রে হায়না এক্সতা য়ু এস সেন্ট্রেল কম্মান্দনা হায়খি।

য়ু এস এটেকশিং অদুগী পুং খরগী মতুং য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা মাগী ট্রুথ সোসিয়েল প্লেটফোর্মদা ইরানগী এটেকতা য়ু এস মিলিটরিগী খ্বাদগী নৌবা এটেকশিং অদুনি হায়না উৎপা এ আই জেনরেটেদ ভিদিও অনি উৎলকখি।

মহাক্না লান অদু হৌখিবা মতুংদগী কয়ারক হন্না পায়শিন্নবা নৎত্রগা থুগাইনবা কিহনখিবা ইরানগী ওইল হব অমা ওইরিবা খরা আইলেন্দদা বোম থাদবা উৎপনি হায়বা ফুটেজ অমসু থাগৎলকখি।

আর্টিফিসিয়েল ইন্টিলিজেন্স শিজিন্নদুনা শেম্বা ফুটেজ অদুনা মফম অদুগী মথক্তা এয়ারক্রাফ অমা পায়বগা লোয়ননা ওইল ষ্টোরেজ টেঙ্ক অমা অমসুং ওইল টেঙ্কর অমদা চাওনা পোকখায়বশিং উৎখি।

অদুমওইনমক ট্রম্পগী ভিদিও অদুদা পাল্লিবদুগুম খরগগী মথক্তা য়ু এস এটেক অমা চথখিবগী করিগুম্বা পাউ অমত্তা লৈত্রি।

মদু কিহন্নবগী ট্রম্পকী মওং অমা ওইরম্বা য়াই হায়না এক্সপার্টশিংনা হায়রি।

য়ু এস লুচিংবা অসি মমাঙদসু অসিগুম্বা অশেংবা নৎতবা য়ান্না হেঞ্জিন্না হায়বা নৎত্রগা মরী লৈনদবা কয়া মাগী সোসিয়েল মেদিয়া প্লেটফোমশিংদা ফোঙদোকপগীদমক খঙনরবনি।

# য়ু এসনা লরাক আইলেন্দদা বোম থাদখিবা মতুং ইরাননা জোরদান, য়ু এ ইদা এটেক তৌখ্রে



ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ , ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সি):

লরাক আইলেন্দদা চথরকখিবা এটেকশিং অদুগীদমক লমন খুমদুনা ইরাননা জোর্দানদা লৈবা য়ু এস বেজশিং অমসুং য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটস (য়ু এ ই)দা লৈবা য়ু এস মিলিটরি এসেটশিংদা এটেক তৌখ্রে।

ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজদা লৈবা লরাক আইলেন্দদা ইরানগী রোকেট লোঞ্চর অনিদা এটেক তৌখ্রে হায়না য়ু এসনা ফোঙদোকখিবা মতুং ইরানগী পাউখুম অদু লাকখিবনি।

নোংমাইজিংগী নুমিদাংগী এটেক অদুদা য়ু এসনা ইরানগী লান্মী অমসুং মীচম কয়া হাৎলম্বা নৎত্রগা শোকখিরম্বা য়াই হায়না ইস্লামিক রিভোলুসনরি গার্দ কোর (আই আর জি সি)না হায়খি।

লরাক আইলেন্দদা য়ু এসকী এটেক অদু নেসনেল সোভরেন্টি অমসুং টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটিদা হকথেংননা থুগাইরকপা অমনি হায়না ইরানগী ফোরেন এফিয়ারস মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা কন্দেম তৌখ্রে।

য়ু এসকী এটেকশিং অদুগী মতুং থুনমক আই আর জি সিনা, ইরানিয়ান মেদিয়াগী মতুং ইন্না, জোর্দানদা লৈবা কিং হুসেন অল অজরাত য়ু এস মিলিটরি বেজশিংদা কম্বাইন্দ মিসাইল অমসুং দ্রোন ওপরেসননা তার্গেট তৌখ্রে হায়খি।

এটেকশিং অদুনা টেকিনকেল অমসুং রিপিয়ার ইনফ্রাষ্ট্রকচর, লোয়ননা য়েক্লবগী ফাইটর দিপ্লোয়মেন্ট সাইটশিং থুগাইদুনা শাথিনা অতেক অকায় থোকহনখ্রে হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা আই আর জি সিনা হায়খি।

টেহরাননা জোর্দানদা চথখিবা এটেকশিং অদুবু য়ু এন চার্টরগী মখাদা আইননা য়াবা সেল্ফ দিফেন্সকী থবক অমনি হায়খি।

নিংথৌকাবগী অয়ুক অঙনবদা আই আর জি সিগী এয়ার দিফেন্সশিংনা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজগী মথক্তা লোং-রেঞ্জ আমেরিকান এম কিয়ু ৯ দ্রোন অমা ইন্টরসেপ তৌখ্রে অমদুং মদু গল্ফতা তাখ্রে হায়বা আই আর জি সিগী ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা ইরানগী ফারস অমসুং মেহর ন্যুজ এজেন্সিশিংনা হায়খি।

য়ু এ ইগী মনুংদা লৈবা অল মেনহত এয়ারবেজ দা য়ু এস মিলিটরি এসেটশিংদসু দ্রোন দোজন কয়ানা এটেক তৌখ্রে হায়না ইরানগী ন্যুজ এজেন্সিশিংনা ফোঙলকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা ইরানগী আর্মিনা হায়খি। এটেক অদুনা য়ু এস ফোর্সশিং অমসুং হেলিকোপ্টরশিং থম্বা বেজ অমা লৈবা মফমশিংদা টার্গেট তৌখি। মদু লরাক আইলেন্দ এটেকতা শিখিবা আই আর জি সিগী মেম্বরশিং অমসুং মীচমশিংগীদমক লমন খুম্বনি হায়খি।

# নেপাল টনেল মনুংদা ৱার্কর ৯৩ থিবা খঙখিদ্রে





কাথমান্দু, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সি):

নেপাল অমসুং টিবেটতা শাথিবা ঈশিং ঈচাওশিংদা পূন্না শিবা মীগী মশিং ৯০০ হেনখ্রে অমসুং মীওই ৫০০০ হেন্না হৌজিকসু থিবা খঙদনা লৈরি।

মরকসিদা নেপালগী ঈশিং ঈচাও মায়োক্লখ্রবা হায়দ্রোপৱার প্রোজেক্ট অমদা থিবা হুম্বগী থবক চথরিবা রেস্কুয়রশিংনা থর্মেল দ্রোনশিং শিজিন্নদুনা টনেল অমগী অরোইবা মতোন অদু য়ৌখ্রে। অদুবু অহিংবা মী অমত্তা ফংখিদ্রে।

রাসুৱা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা রসুৱাঘদ্ধি হায়দ্রোপৱার প্রোজেক্ট টনেল অদুগী মনুংদা য়ামদ্রবদা ৱার্কর ৯৩ থোক্লকপা ঙমদনা লৈখ্রে হায়না কিনখিবনি। অদুবু হৌজিক মখোয়গী খোঙ্গুল লিবা ঙমদনা লৈরি।

ওপরেসন অদুদা নেপালি আর্মি পার্সোন্নেল, ইঞ্জিনিয়ারশিং অমসুং দ্রোন টিম অমা য়াওখি। টনেল অদুগী অরোইবা মতোনদা ৱার্করশিং থোক্লকপা ঙমদনা লৈরমখিবা য়াই হায়না ভোটেকোসি তুরেলদা ঈচাও থোক্লকপা মতুং রেস্কুয়রশিংনা টনেল অদুগী মনুংদা চংখিবনি।

টিম অদুনা অরোইবা মতোন অদু য়ৌনবা চংশিনখ্রে অমসুং হকথেংননা চংদুনা য়েংবদা খুদোংঙথিগদবা অমসুং লুগদবা মফমশিং য়াওনা হেন্না মনুং চং শিনবা মফমশিং অদু থিনবা দ্রোনশিং শিজিন্নখি। অদুবু মনুংদা কনাগুম্বশিং লৈবগী ইঙ্গিৎ অমত্তা উখিদ্রে।

১১১ মেগাৱাট্ট রসুৱাগধি প্রোজেক্টকী টনেল অদু থিরুরবা মতুং আর্মিনা লুচিংবা টিম অদু হল্লকখ্রে হায়না প্রাইম মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েটনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

দ্রোন টিম অদুনা টনেল অদগী মনুংদা কনাগুম্বা অমত্তা ফংবা ঙমখিদবগা থিবগী থবক অদু তোকখ্রে অমসুং রেস্কুয়রশিং অদু রসুৱা দিষ্ট্রিক্টকী ধুনচেদা অমুক হল্লকখ্রে।

লৈবাক অসিদা ঈশিং ঈচাওদা মীওই চা কয়া শিখিবা মতম অদুদা নেপালদা হায়দ্রোপৱার প্রোজেক্ট কয়ামরুমদা ৱার্কর চা কয়া অন্দরগ্রাউন্দদা লৈখিবনি।

তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা থিবা খঙদনা লৈবা মীওইশিং অদু টনেলশিংগী মনুংদা থোক্লকপা ঙমদনা লৈরিব্রা, অৱাংবা মফমশিংদা লাম্থোকখ্রবা নৎত্রগা ঈশিং ঈচাও অদুনা চেন্থখ্রব্রা হায়বদু খঙনবা রেস্কুয়রশিংনা কন্না হোৎনখি।

নেপালগী নেসনেল দিজাষ্টর রিস্ক রিদক্সন এন্দ মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (এন দি আই আর এম এ)না নিংথৌকাবা নুমিৎতা হায়দ্রোপৱার প্রোজেক্টশিংগা মরীলৈনবা মীওই ৯৩৩ থিবা খঙখিদ্রে হায়খি।

ইন্দিপেন্দেন্ট পৱার প্রদ্যুসরস এসোসিয়েসন, নেপাল (আই পি পি এ এন)না রাসুৱা অমসুং নুৱাকোটতা হায়দ্রোপৱার প্রোজেক্ট ১১দা থবক তৌবা মীওই ৮৯৭সু পাউ ফাওনবা ঙমখিদ্রে হায়না তোঙান্না হায়খি।

**সনা-সুদোকু-১০৬৫গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 1 | 3 | 7 | 9 | 8 | 4 | 6 | 2 |
| 6 | 7 | 8 | 4 | 2 | 1 | 3 | 5 | 9 |
| 4 | 9 | 2 | 6 | 5 | 3 | 8 | 1 | 7 |
| 9 | 5 | 7 | 8 | 3 | 4 | 1 | 2 | 6 |
| 2 | 3 | 4 | 5 | 1 | 6 | 9 | 7 | 8 |
| 8 | 6 | 1 | 2 | 7 | 9 | 5 | 4 | 3 |
| 1 | 8 | 6 | 3 | 4 | 7 | 2 | 9 | 5 |
| 3 | 4 | 5 | 9 | 6 | 2 | 7 | 8 | 1 |
| 7 | 2 | 9 | 1 | 8 | 5 | 6 | 3 | 4 |

# চাইনানা অতোপ্পা লৈবাক্কী মতম শাংনা লাম্হেংনবা ঙম্নবা অনৌবা লো চংনহনখ্রে, পি এল এনা কন্ট্রোল তৌরগনি

বৈজিং, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সি):

চাইনানা অতোপ্পা লৈবাক্কী মতম শাংনা লাম্হেংনবা ঙম্নবা অনৌবা লো চংনহনখ্রে, পি এল এনা কন্ট্রোল তৌরগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না করিগুম্বা লৈবাক অমগা চাইনাগা লান শোক্নরকপা মতমদা অনৌবা লো চংনহনবা হৌখ্রবা অসিগী মতুংইন্না লান হেক হৌরকপগা লৈবাক অসিদা লৈরিবা টেক কম্পনি পূম্নমক পি এল এগী কন্ট্রোল মখাদা লৈখ্রগনি।

চাইনানা নৌনা চংনহনখ্রবা লো অসি য়াম্না শাথিবা মখলগী ৱার লো অমনি। লো অসিগী মতুইন্না লান হেক হৌরকখিবগা মীয়ামদা লৈরম্বা রাইটশিং, টেক কম্পনিশিং অমদি প্রাইভেটকী লন-থুম পূম্নমক পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ)গী কন্ট্রোল মনুংদা লৈগনি হায়রি।

নেসনেল দিফেন্স মোবিলাইজেসন ফ্রেম ৱার্কতা চাইনানা চাউনা অহোংবা পুরক্তুনা হৌখিবা ওগষ্ট ২৮দা নৌনা শেমদোক্তুনা লো অসি চংনহনহল্লকখিবনি। অদুবু লৈবাক শিনবা থুংনগী ওইনদি চহী অসিগী লাক্লিবা ওক্টোবর ১দগী হৌরগনি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না হৌজিক হৌজিক চাইনানা অঙকপা মওং দা মালেমদা লৈরিবা লৈবাক অমগা হেক্তা মতম শাংনা লাম্হেংনবা ঙম্নবগী থৌরাং অসি পায়খৎলকখিবনি। করিগুম্বা লৈঙাক্লা চংনহনবা হৌখ্রবা লো অসিগী মায়োক্তা কনাগুম্বা খরনা লাকপা তারবসু লো অসিগী মতুংইন্না লোগী ওইবা অকনবা চৈরাক পীবগা লোয়ননা ফাইন ওইনা য়াম্লবা শেনফম পীনবগী প্রপোজেল য়াওরি। লোয়ননা চাইনানা মালেমগী লৈবাক অমগা হেক্তা মতম অমদা হেক্তা লাম্হেংনবা ঙম্নবগী থৌরাং পূম্নমকপায়খৎপা হৌরে হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR
Ref. : Mut. Case No. 614/SDC/IW(C)-I dated, 31/08/2026

1) Rajkumar Dennis S/O Rajkumar Manikanta of Thangmeiband Lourungpurel Leikai.
2) Rajkumar Johonson S/O Rajkumar Manikanta of -do-

-Petitioners

-Vs-

(Late) Rajkumar Manikanta S/O Late Iboton @ Ibomcha Singh of Thangmeiband. -O.P. (s)

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE**
Lamphel, the 31/08/2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Rajkumar Manikanta গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নম্বর 90-Thangmeiband, অরিবা পাট্টা নম্বর 871 (O) অনৌবা পট্টা নং 1122 (N) দাগ নং 7144 অমসুং এরিয়া 0.031 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী Petitioner মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-I উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Nute/01

**In the Court of The Sub-Deputy Collector**
**Porompat, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Case No. 357 of SDC(IE)/P of 2026*

Syed Mohd Ayub Ali S/O (L) Syed Jahur Ali of Kshetri Bengoon Mayai Leikai. *- Petitioner*

*-Verses-*

(L) Md. Jahur Ali S/O (L) Najir Ali of Kshetri Bengoon. *-O. P.*

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ/NOTICE**
*Porompat,the 12th August,* 2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 40-Kshetri Bengoon গী Patta No. --- (অরিবা), 237/784 (অনৌবা) Covered by C.S. Dag No. 335/675 measuring an area 0.62 acre of Anganphou Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

*Sd/-*
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat Imphal East, Manipur

SL/Nanda/01

**In the Court of The Sub-Deputy Collector**
**Porompat, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Case No. 372 of SDC(IE)/P of 2026*

1) Md. Fakhrul Hussain S/O (L) MA. Abdul Ghafoor Shah of Kshetri Bengoon Awang Leikai (0.06) Acre.
2) Mohd. Mujibur Rahman S/O (L) -do- of -do- (0.06) Acre.
3) Shamajan W/O Md. Nazir Ahmed D/O -do- of Keikhu Mayai Leikai (0.45) Acre.
4) Farida Begum D/O Mohd Ghafoor Shah of -do- of -do- (0.45) Acre.
5) Fatizan Begum D/O (L) -do- of -do- (0.45) Acre.
6) Leilazan Begum D/O (L) -do- of -do- (0.45) Acre.

*- Petitioners*

*-Verses-*

(L) Abdul Gafoor S/O (L) Hasan of Kshetri Bengoon. *-O. P.*

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ/NOTICE**
*Porompat,the 27th August,* 2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 40-Kshetri Bengoon গী Patta No. 231 (অরিবা), 76/1166 (অনৌবা) Covered by C.S. Dag No. 267/969 measuring an area 0.165 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

*NB= 0.06 Acre on the middle portion share applicant No. 1*
*0.06 Acre on the applicant no. 2*
*0.45 Acre share of applicent no. 3, 4, 5 & 6*

*Sd/-*
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat Imphal East, Manipur

SL/Nanda/01

**In the Court of The Sub-Deputy Collector**
**Porompat, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Case No. 376 of SDC(IE)/P of 2026*

Nongmaithem Sendo Singh S/O (L) Ganga Singh of Porompat Kshetri Leikai. *- Petitioner*

*-Verses-*

Nongmaithem Thabung Singh S/O (L) Ganga Singh of Porompat Kshetri Leikai. *-O. P.*

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ/NOTICE**
*Porompat,the 31th August,* 2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 28-Porompat গী Patta No. 96 (অরিবা), 100/398 (B) (অনৌবা) Covered by C.S. Dag No. 98/366 measuring an area 0.032 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

*Sd/-*
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat Imphal East, Manipur

SL/Nanda/01

**In the Court of The Sub-Deputy Collector**
**Porompat, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Case No. 375 of SDC(IE)/P of 2026*

1) Maya Devi S/O Akash Drasad of Telipati
2) Luxmi Kumari D/O (L) Nandalal Prasad of -do-
3) Preeti Kumar D/O (L) -do- of -do-
4) Babita Kumari C/O Ajay Prasad of -do-.

*- Petitioners*

*-Verses-*

(L) Nandalal Prasad S/O (L) Yadunath Telli of Telipati. *-O. P.*

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ/NOTICE**
*Porompat,the 31th August,* 2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No.100-Telipaty গী Patta No. 25, 66/ 215 (অরিবা), 49 (অনৌবা) Covered by C.S. Dag No. 84 measuring an area 0.0108 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

*Sd/-*
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat Imphal East, Manipur

SL/Nanda/01

**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Bashikhong, Imphal East**
*Ref. :- Mutation Case No. 259/SDC/B/IE of 2025 Dt. 31/08/2026*

Waikhom Chinglen Meetei S/O (L) W. Modhu Meetei of Kyamgei Mayai Leikai. *- Petitioner*

*-Verses-*

(L) Waikhom Ningthemjao Singh S/O (L) Ningthoujao Singh of Kyamgei. *- Pattadar*

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ/NOTICE**
*Bashikhong, the 31th. August, 2026*

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না ঈঃ ইঃ তাহশিল খূল নং 68-Kyamgei পাট্টা নং 663 অনৌবা দাগ নং 1072 মোট এরিয়া 0.630000 একর চাওবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার Waikhom Ningthemjao Singh S/O (L) Ningthoujao Singh of Kyamgei দা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পাট্টাদারগী মমিংদা লৈবা লৌফম অসি মথক্তা পনলিবা দরখাষ্টকারী অসিনা সত্তা ওইনা ফঙজরে অমসুং নমা ওম্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোট অসিদা লাক্তুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুং লাকপা অপটি (Objection) অমতা লৌজরোই কোটকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,Bashikhong
Imphal East

SL/Mei/01

**GOVERNMENT OF MANIPUR OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, BASHIKHONG**
*R.R. No. 199/SDC/B/IE of 2026 Legal Heirs Certificate*

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ/NOTICE**
*Bashikhong, the 31th August 2026*

নোটিশ অসিনা খংহনলি মদুদি শ্রীমতি Maibam Tampha Devi লৈফম Khongma Zone II Imphal East অসিনা লৈখিদ্রবা Thoudam Shyamkumar Singh অসিবু মহাক্কী লিগেল নুপানি হাইদুনা ওফিস অসিদা মহাক্কী মিংদা লিগেল Heir certificate পিবিয়ু হায়দুনা ওফিস অসিদা দরখাষ্ট থাররে।

মরম অসিনা কনাগুম্বা মারীলৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎ 5(five)গী মনুংদা ওফিস অসিদা Objection তৌবিরবা য়াগনি। করিগুম্বা মরী লৈনবশিংনা Objection লাক্রবদি মখা তাবা থবক চথরগনি, তুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East

SL/Mei/01

**In the Court of The Sub-Deputy Collector**
**Porompat, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Case No. 356 of SDC(IE)/P of 2026*

Syed Mohd Ayub Ali S/O (L) Syed Jahur Ali of Kshetri Bengoon Mayai Leikai. *- Petitioner*

*-Verses-*

(L) Nazir Ali S/O (L) Gulab Ali of Kshetri Bengoon. *-O. P.*

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ/NOTICE**
*Porompat,the 12th August,* 2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 40-Kshetri Bengoon গী Patta No. 450 (অরিবা), 427 (অনৌবা) Covered by C.S. Dag No. 274 measuring an area 0.27 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

*Sd/-*
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat Imphal East, Manipur

SL/Nanda/01

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)-II : MANIPUR
Ref. : Mut. Case No. 413/SDC/IW(C)-II of 2026 dt. 31/08/2026

Chingangbam Pepe Devi W/O (L) Moirangthem Birchandra Singh of Ahongshangbam Leikai. -Petitioner(s)

-Vs-

Co-Pattadar No. 1
(Late) Moirangthem Birchandra Singh S/O (L) Ketuki Devi of Ahongshangbam Leikai. -O.P. (s)

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE**
Lamphel, the 31/8/ 2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Moirangthem Birchandra Singh গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নম্বর 61-Ahongshangbam Leikai অরিবা পাট্টা নম্বর 61/71 অনৌবা পট্টা নং 96 দাগ নং 51 অমসুং এরিয়া 0.00920 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী Petitioner মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-II উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-II

SL/Sus/01

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR
Ref. : Mut. Case No. 602/SDC/IW(C)-I dated, 25/08/2026

Ahongbung Kamei S/O Athoi Kamei of Lungdaijang.

-Petitioner

-Vs-

1) (Late) Kamei Athoi Kabui S/O Khatanggalung Kabui of Thangmeiband
2) Thuingamlung Kamei S/O Khangchalung of -do-
3) K. Kunlung S/O Khangolung Kamei of -do-
4) K. Abungai S/O Dinkulung Kamei of -do-
5) K. Linkungam S/O Pantibon Kamei of -do-.

-O.P. (s)

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE**
Lamphel, the 28/08/2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Kamei Athoi Kabui গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নম্বর 90-Thangmeiband, অরিবা পাট্টা নম্বর ---(O) অনৌবা পট্টা নং 245 (N) দাগ নং 5139 অমসুং এরিয়া 0.05210 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী Petitioner মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-I উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Sus/01



SL/Mocha/28

**ক্রোসৱার্দ ১১৩১ গী পাউখুম**

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| T | A | F | T | ■ | A | B | A | B | ■ | ■ | V | A | N | E |
| I | S | L | E | ■ | R | E | D | O | ■ | C | O | L | O | R |
| F | E | A | T | ■ | B | R | O | O | M | H | I | L | D | A |
| F | A | S | H | I | O | N | ■ | H | I | E | D | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | H | E | R | R | ■ | B | O | D | S | ■ | B | A | T |
| ■ | A | G | R | A | ■ | B | L | O | W | T | O | R | C | H |
| H | M | O | ■ | N | E | R | O | ■ | A | S | P | E | R | A |
| A | P | R | S | ■ | S | A | N | D | Y | ■ | S | N | O | W |
| R | E | D | A | C | T | ■ | D | O | S | E | ■ | D | S | S |
| P | R | O | P | H | E | T | I | C | ■ | L | E | A | S | ■ |
| Y | E | N | ■ | U | L | E | E | ■ | A | L | A | S | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | E | R | L | E | ■ | S | T | A | R | T | E | D |
| L | I | T | T | L | E | N | E | M | O | ■ | N | A | T | E |
| I | C | O | N | S | ■ | S | T | E | M | ■ | E | R | T | E |
| L | E | N | A | ■ | ■ | Y | E | W | S | ■ | D | R | A | T |

*ডা. বি সি রোই ট্রোফি ২০২৬-২৭:*

# মণিপুর মায় পাক্লা কেম্পেইন হৌদোকপা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (এস এন এস)ঃ

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা চথরিবা জুনিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর ডা বিসি রোই ট্রোফি ২০২৬-২৭ টয়র-১ গ্রুপ ষ্টেজ)কী ঙসি বেঙ্গলুরু ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মণিপুরগী অহানবা মেটচতা অসামবু মায়থিবা পীদুনা মায় পাক্লা কেম্পেইন হৌদোকখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা মণিপুরনা অসামবু গোল ২-১দা মায়থিবা পীখি। মণিপুর অমদি অসামনা শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না গোল চনবা য়াবগী খুদোংচাবশিং ফংনরবসু গোল ওন্থোক্লবা ঙম্নদবদগী অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নখিবা মণিপুরনা হেন্না হৈশিংনা শান্নরকপগী মহৈ ওইনা মেটচকী ৫৬শুবা মিনিটতা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৯ মুস্কাননা গোল একাউন্ট হাংদুনা ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। গোল শোথরিবা অসামনা মেটচকী ৭১শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১০ ইদৱার্দ মারনা ইক্বেলাইজিং গোল চন্দুনা ১-১দা মান্নহনখ্রবসু মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা মেটচকী লেমহৌরিবা মিনিটশিংদা অহেনবা গোল ওন্থোক্লবগী পান্দমদা মখোয়গী লৈজবা থৌনা উৎথোক্কুনা শান্নরকখিবগী মহয় ওইনা মেটচকী ৮৭ শুবাদা টিম অসিগী সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা জর্সি ১০ মুহামদ ইজাজুর রাহমননা মায় পাকপগী গোল অদু চন্দুনা অসামবু ২-১দা মায়থিবা পীরম্লগা মায় পাক্লা কেম্পেইন হৌদোকপা ঙমখি।

মণিপুরগী মথংগী মেটচ সেপ্তেম্বর ২দা কেরলাগা শান্নগনি।

পনবা য়াই মদুদি মণিপুরগী জুনিয়র বোইজ টিমনা গ্রুপ-এদা কেরলা, তেলঙ্গনা অমসুং অসামগা পূন্না তামিন্নরিবনি।

# ১৩শুবা নোর্থ ইষ্ট জোন সুটিং চেম্পিয়নসিপ্তা মণিপুরনা অহুমশুবা পোজিসন লৌরকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (এস এন এস)ঃ

অসাম রাইফল এন্দ শুটিং এসোসিয়েসননা শীন্দুনা গুৱাহাটিগী কাহিলিপরাগী কাহিলিপরা স্পোর্টস শুটিং রেঞ্জ অমসুং ৪শুবা এ পি বি কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ২৫দগী ৩০ ফাওবা চথরকখিবা ১৩শুবা নোর্থ ইষ্ট জোন শুটিং চেম্পিয়নসিপ ২০২৬তা মণিপুরগী সুটিং টিমনা গোল্ড ৭, সিলভর ১৫ অমসুং ব্রোঞ্জ ৯ য়াওনা পূন্না মেদল ৩১ লৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন লৌরকখ্রে।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা অসামনা গোল্ড ৩৯, সিলভর ২১ অমসুং ব্রোঞ্জ ২০ দা পূন্না মেদল ৮০ দা অহানবা, মেঘালায়ানা গোল্ড ১৩, সিলভর ১৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ১দা পূন্না মেদল ৩৭ লৌদুনা অনীশুবা, মিজোরামনা গোল্ড ১১, সিলভর ৭ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪দা পূন্না মেদল ২২ ফংদুনা মরিশুবা, নাগালেন্দনা গোল্ড ৬, সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ৭তা পূন্না মেদল ১৭দা মঙাশুবা, এ আর এম য়ুনা গোল্ড ৭, সিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ২ য়াওনা পূন্না মেদল ১২দা তরুকশুবা, আর্মিনা গোল্ড ২, সিলভর ১দা পূন্না মেদল ৩ লৌদুনা তরেৎশুবা অমসুং সিক্কিমনা ব্রোঞ্জদা নিপালশুবা পোজিসন তাখি।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা মণিপুরগী গোল্ড মেদলশিং অদুদি ৫০ মিটর পিষ্টোল জুনিয়র মেনদা হেরিকোনবা মঙাংচা, ৫০ মিটর রাইফল প্রোন মাষ্টর মেনদা পঙান্বম চরনজিৎ, ৫০ মিটর রাইফল থ্রি পোজিসন মেদা অর্বিন ইরুংবম, ত্রাপ জুনিয়র মেনদা চিংলেন্বা লাইশ্রম,১০ মিটর এয়র রাইফল ফোর এম ক্ল্যু এসত ষ্টেসি লৈতান্থেম, ত্রেপ মেনদা অরয়ামন লাইরেঞ্জম অমসুং ৫০ মিটর রাইফল প্রোন ৱুমেনদা নরুম্বম ইশা দেবিনি।

সিলভর মেদলশিং অদুনা ৫০ মিটর পিষ্টোল মাষ্টর মেনদা লাইফ্রাকপম রাজেস, ৫০ মিটর রাইফল প্রোন মেনদা হুইদ্রোম জোন, ৫০ মিটর রাইফল প্রোন জুনিয়র মেনদা ওইনাম লাবিস, ৫০ মিটর রাইফল প্রোন য়ুথ মেনদা চেতনন্দ রাজকুমার, ৫০ মিটর রাইফল প্রোন ফোর এম ক্ল্যু এসতা লাঙ্গোলজম হেক্টর, ৫০মিটর রাইফল থ্রি পোজিসন মেনদা হুইদ্রোম জোন, ত্রেপ মাষ্টর মেনদা গুরুময়ুম দিমজিৎ শর্ম্মা,১০ মিটর এয়র রাইফল য়ুথ মেনদা চেতানন্দ রাজকুমার, ১০ মিটর এয়র রাইফল য়ুথ ৱুমেনদা য়ুম্নাম থাসনা, ২৫ মিটর স্পোর্টস পিষ্টোল মেনদা লনচেনবা নোংথোম্বম, ২৫ মিটর স্পোর্টস পিষ্টোল য়ুথ মেন অমসুং ২৫ মিটর ষ্টেন্দর্দ পিষ্টোল মেনদা অমাকচম য়োহেনবা মৈতৈনা সিলভর ২, ২৫ মিটর ষ্টেন্দর্দ পিষ্টোল এম ক্ল্যু এসতা লনচেনবা হুইদ্রোম অমসুং ১০ মিটর এয়র পিষ্টোল মাষ্টর মেনদা লাইফ্রাকপম রাজেসনা লৌখি।

ব্রোঞ্জ মেদলশিং অদুনা ২৫ মিটরু ষ্টেন্দর্দ পিষ্টোল জুনিয়র মেনদা গুরুময়ুম পৃথিবিরাজ শর্ম্মা, ১০ মিটর এয়র রাইফল জুনিয়র ৱুমেন অমসুং য়ুথ ৱুমেনদা য়ুম্নাম থাসনা,২৫ মিটর সেন্তর ফিয়র পিষ্টোল মেনদা হুইদ্রোম জোন, ২৫ মিটর সেন্তর ফিয়র পিষ্টোল মাষ্টরদা অশেম কেন্নেদি, ৫০ মিটর রাইফল প্রোন মাষ্টর মেনদা নোংথোম্বম রনভির অমসুং ৫০ মিটর পিষ্টোল জুনিয়র মেনদা অমাকচম য়োহেনবা মৈতৈনা লৌখি।



# অহানবা গীফ রাইখান মেমোরিয়েল কপ ২০২৬-২৭ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না শীন্দুনা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ১৩দগী লম্লোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা টিম ৮না শরুক য়াদুনা অহানবা গীফ রাইখান মেমোরিয়েল কপ ২০২৬-২৭ পাঙথোক্লগনি হায়না অম্ফাগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী এল নবানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।।

কপ অসিগী ইন্ত্রি ফীনা লুপা লিশিং ৫, ইন্ত্রি পীশিনবগী অরোয়বা মতমনা সেপ্টেরম্বর ৪দা ওইরগা মেনেজর মীটিংদা সেপ্টেম্বর ৫গী অয়ুক পুং ৯ তাবদা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

অহানবা গীফ রাইখান মেমোরিয়েল কপ অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি ট্রাউ এফ সি, এফ সি রেঙদাই, রাও, নম্ফা, অসুফি এফ এ, নেরোকা এফ সি, সাইনিক এফ সি অমসুং তাম্ভুল ফুটবোল প্লেয়রস এসোসিয়েসন (টি এফ পি এ)নি।

# সি আর পি এফ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা মরাথোন ৫ পাঙথোক্কদৌরি



ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (এস এন এস)ঃ সি আর পি এফকী ৮শুবা বট্টালিয়ননা শীন্দুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফম মঙাদা ১০ কিলোমিটরগী মরাথোন লমজেল পাঙথোক্কদৌরি।

সি আর পি এফকী ৮শুবা বট্টালিয়ননা শীন্দুনা অন্দর খেলো ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফম ৫দা কিলোমিটর ১০গী মরাথোন লমজেল শীনগদৌরি।

স্পোর্টসকী খুৎথাংদা শান্তি, চাউখৎপা, মশা-মউ ফবা খুন্নাই অমা শেমগৎনবগী পান্দমদা খেলো ইন্দিয়া স্পোর্টস ফোর পিছ এন্দ দিভলপমেন্ট হায়বা থিমগা লোয়ননা পাঙথোক্কদৌরিবা মরাথোনশিংগী মফমশিং অদুদি লৈশ্রাম ৱারোই চীং বিষ্ণুপুর, চোথে বিষ্ণুপুর, নরানসেনা অমসুং তোকপা কবুই লোক্তাকনি। মরাথোন অসিদা চহী ১৮ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবা মীওই খুদিংমক্না শরুক য়াবা য়াগনি। মরাথোন অসিগী পীগদৌরিবা মনাশিং অদুদি অহানবা পোজিসনদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০, অনীশুবা পোজিসনদা লুপা লিশিং ৬, অহুমশুবা পোজিসনদা লুপা লিশিং ৪নি। মরাথোন অসিগী অহানবা রেজিষ্টার তৌবা শান্নরোই ১০০ খুদিংদা টি-সার্ট পীগনি হায়না সি আর বিপ এফকী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# য়াইস্কুল কাংখুৎ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (এস এন এস)ঃ

থাংমৈবন্দ লাইজিংনিংথৌ শঙলেনদা চথরিবা অহানবা এস নোদিয়াচান্দ সিংহ মেমোরিয়েল ইনভাইটেসন লীগ কম নোকআউট কাং টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবদা য়াইস্কুল কাংখুৎ মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাংখুৎনা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৮-১১দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা য়াইস্কুল কেন্দ্রনা অহানবা হাল্ফতা ৯ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৯ স্কোর তৌখি। মায়থিরবা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাংখুৎকী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা হাল্ফতা ৫ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা ৬ স্কোর তৌখি।

মথংগী মেটচ সেপ্টেম্বর ২দা শগোলবন্দ কেন্দ্র কাংখুৎ অমসুং খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাংখুৎনা শান্নগনি।

# য়ূম্নাম থাসনাদা থৌশিন লূপনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (এস এন এস)ঃ

অসাম রাইফল এন্দ শুটিং এসোসিয়েসননা শীন্দুনা গুৱাহাটিগী কাহিলিপরাগী কাহিলিপরা স্পোর্টস শুটিং রেঞ্জ অমসুং ৪শুবা এ পি বি কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ২৫দগী ৩০ ফাওবা চথরকখিবা ১৩শুবা নোর্থ ইষ্ট জোন শুটিং চেম্পিয়নসিপ ২০২৬তা মণিপুরগী টিমদা শরুক য়াখিবী য়ুম্নাম থাসনা চেম্পিয়নসিপ অসিদা মেদল ৩ লৌরকপা ঙমখিবদা থৌশিন লূপ চঙাংঙৈ অৱাং লৈকাইনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

য়ুম্নাম থাসনা চঙাঙৈ অৱাং লৈকাইদগী য়ুম্নাম রাজেন অমসুং পূর্ণিমা অনীগী মচানুপীনি।

থাসনানা চেম্পিয়নসিপ অসিদা ১০ মিটর এয়র রাইফল জুনিয়র ৱুমেন, ১০ মিটর রাইফল সব-য়ুথ ৱুমেন অমসুং ১০ মিটর এয়র য়ুথ ৱুমেনদা পূন্না ব্রোঞ্জ মেদল অহুম লৌরকপা ঙমখিবনি।

থৌশিন লূপ চঙাংঙৈ অৱাং লৈকাইনা থাসনাগী তুংদা লাক্কদৌরিবা কম্পিটিসনশিংদসু মায় পাক্কুনা লৈকাই অসিগীতা নত্তনা মণিপুরগী মিংচৎ পুরকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়খি।

# জিরিবামদা কিলোমিটর ১০গী মরাথোন রেস পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (এস এন এস)ঃ

খেলো ইন্দিয়া স্পোর্টস ফোর পিছ এন্দ দিভপমেন্টগী ৱাখল্লোন মখাদা স্পোর্টসকী খুৎথাংদা শান্তি, চাওখৎপা অমসুং মশা মউ ফবা খুন্নাই অমা শেমগৎপগী পান্দমদা সি আর পি এফ ১৫৬শুবা বট্টালিয়ন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা ১০ কিলোমিটরগী মরারোন রেস পাঙথোক্কদৌরি।

মরাথোন অসি ইরাবোত চোকতগী দি সি ওফিস রোদতা চেল্লগা অমুক হল্লক্কুনা ইরাবোত চোকতা লমথুংফম ওইগনি।

লমজেল অসিদা অহানবা পোজিসনদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০, অনীশুবা পোজিসনদা লুপা লিশিং ৬, অহুমশুবদা লুপা লিশিং ৪ ওইগনি। মরাথোন অসিগীদমক লমজেল্লোইশিংদা টি-সর্টশিংসু পীগনি হায়রি।

# মুইথাইগী মেদল লৌরকপা ঙমখ্রবা শান্নরোইশিং তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (এস এন এস)ঃ অগরটলাদা লৈবা নেতাটি সুভাস রিজনেল কোচিং সেন্তর (এন এস আর সি সি) বোক্সিং ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৬তগী ৩০ ফাওবা পাঙথোকখিবা সি এস দি রমল্লে ক্লেস ১ নেসনেল ক্লব চেম্পিয়নসিপ অমদি রোদ টু সি এস দি ফাইট নাইট ২দা মেদল কয়া লৌরক্কুনা মণিপুরগী মীংচৎ পুরকপা ঙমখ্রবা শান্নরোইশিং তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

চেম্পিয়নসিপশিং অসিদা মণিপুরগী রিপ্রজেন্ট তৌদুনা ওল মণিপুর মুইথাই লবরস এন্দ প্লেয়রস ওর্গনাইজেসনগী মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি কেজি ৬৩.৩দা নাওরেম লীগার্সসন মঙাং, কেজি ৭০মথক্তা হেনরি অশেম অমসুং কেজি ৫৪দা ককচিংতাবম এরিন শর্ম্মানা গোল্ড, অলেকজেন্দর পাওমৈনা কেজি ৫৭দা ব্রোঞ্জ ফংলকপা ঙমকখি।

রোদ টু ফাইট নাইটকী ওইনা থোকচোম বির্জিৎনা কেজি ৫৭ ৱেঠ কেটগোরিদা গোল্ড লৌরকপা ঙমখিবনি।

# য়ু দি এস এগী ওফিস বিল্ডিং শানবা উরেপ উয়ুং তমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (এস এন এস)ঃ

উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা শান্ন-খোৎনবগী লমদা চাউনা থবক তৌদুনা লাক্লবা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (য়ু দি এস এ)গী ওফিস বিল্ডিং শাননবা উরেপ উয়ুম তম্বগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা য়ু দি এস এগী নৌনা ওফিস শাননবা পাঙথোকখিবা উরেপ উয়ুম তম্বগী থৌরম অদুদা আউটর মণিপুরগী এম পি অলফেদ কাঙম এস অথর, তোঙান তোঙানবা মশক নায়বা কম্যুনিটি লিদর, স্পোর্টস পর্সোনেলিটি অমদি মশিং য়াল্লবা খুঞ্জা কয়াসু শরুক য়াখি।

উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরম অদুদা য়ু এস দি এগী প্রসিদেন্টকী ফমসু পুরিবা আউটর মণিপুরগী এম পি অলফ্রেদ এস অথরনা হায়, ঙসি নৌনা উরেপ উয়ুম তম্বগী থৌরম পাঙথোকখিবগা ইরোয়ননা য়ু এস দি এগী ওফিস বিল্ডিং শাবগী থবক অসি লাক্লিবা সেপ্টেম্বর থাদগী হৌরগনি। য়ু দি এস এগী ওফিস বিল্ডিং অসি মতম কয়াগী মমাঙদগী শানবগীদমক থৌরাং তৌদুনা লাকখিবনি। নৌনা শাগদৌরিবা য়ু দি এস এগী ওফিস বিল্ডিং অসিনা মরম ওইরগা ইনখৎলক্লিবা নহরোলশিংদা শান্ন-খোৎনবগা মরী লৈনবা অনৌবা ইনোৎ কয়া পীদুনা তুংগী য়ুম্বী ওইরগদবা মশক নায়বা শান্নরোই কয়া পুথোকপা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মতম কয়াগী মমাঙদগী য়ু দি এস এগী ওফিস বিল্ডিং অমা শানবগীদমক থৌরাংনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মীয়াম্না ঙায়দুনা লৈনরকখিবা অদু ঙসি নৌনা উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরম মায় পাক্না পাঙথোকখিবা অসিনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা শান্ন-খোৎনবগী লমদা হান্নদগী অমুক্কা হেন্না খুমাং চাউশিনবা ঙম্লগনি হায়না মীয়াম্না পানরি।






# ইন্দিয়াগী সেনিয়র নুপা ফুটবোল টিমনা ওক্টোবর ৬তা উরুগ্বেগা কোলকটাদা ফ্রেন্দলি মেটচ শান্নরগনি



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়াগী নুপা সেনিয়র ফুটবোল টিমনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়নস অনীরক ওইবা ঙমখ্রবা য়ুরুগ্বেনা ওক্টোবর ৬দা ভিবেকান্দদা য়ুব ভারতি ক্রিরঙ্গনদা ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচ অমা শান্নরগনি।

ফিফা মেন'স ইন্টরনেসনেল মেটচ ৱিন্দোগী মনুংদা য়ুরুগ্বেগা শান্নগদবা মেটচ অদুনা ইন্দিয়াগী অহুমশুবা ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচ ওইরগনি। ইন্দিয়ানা উরুগ্বেগা শান্নদ্রিঙৈ মমাঙ সেপ্টেম্বর ২৬তা পনামাগা বেঙ্গলুরুদা অমদি ৱার্ল্ড চেম্পিয়নস মঙারক ওইখ্রবা ব্রাজিলগা ওক্টোবর ৩গী কোলকটাদা শান্নগদৌরি।

মালেমগী ফুটবোলদা খ্বায়দগী শীংথানিংঙাই ওইরবা টিমশিংগী মনুং চল্লিবা উরুগ্বেনা হৌজিক ফিফা রেঙ্কিংদা ২০ শুবা মফমদা লৈরি। য়ুরুগ্বেগী হেদ কোচ ওইরিবা দাইগো ফোর্লান ২০১৬দা মুম্বাই সিটি এফসিগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নরমখি।

নাকল অমরোমদনা, ইন্দিয়া অমদি পনামানা সেপ্টেম্বর ২৬তা শান্নগদবা ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচ অদু বেঙ্গলুরুনা য়ূম্বু ওইরগনি হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনননা (এ আই এফ এফ) শগোলশেল নুমিৎতা লাউথোকখ্রবনি

ইন্দিয়ানা ২০২৩দা সাওথ এসিয়ন ফুটবোল ফেদরেসন চেম্পিয়নসিপকী টাইটল লৌখ্রবা মতুং বেঙ্গলুরুগী শ্রী কান্টিরাভা ষ্টেদিয়মদা শান্নখ্রবা মতুংদা হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইরগনি। হৌজিক ফিফা রেঙ্কিংদা মালেমগী ৪৪ শুবা মফম লৈরিবা পনামানা সেপ্টেম্বর ২৬তা ইন্দিয়াগী অকনবা চাংয়েং ওইরবা য়ারি হায়না থাজনরি। সেন্ট্রেল অমেরিকাগী লৈবাক অসিনা হন্দক খ্বাইদগী নৌনা পাঙথোকখিবা ফিফা মেন'স ৱার্ল্ড কপ ২০২৬তা শরুক য়াখিবদা রাউন্দ ওফ ৩২গী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদবনি। পনামানা গ্রুপ-এলগী মেটচশিংদা ঘনা, ক্রোসিয়া অমদি ইংলেন্দগী মখূৎতা মায়থীদুনা গ্রুপকী অরোয়বা মফমদা লৈখিবদা নত্তনা মখোয়গী গ্রুপ মেটচ অহুমদা গোল অমত্তা চনবা ঙমখিদে।

ইন্দিয়া অমদি পনামানা শান্নগদৌরিবসিনা অহানবা ওইবগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা মখোয়গী পুৱারিদা কোনকাকেফকী তোঙানবা লৈবাক অমগা শান্নগদবা মসিনা মাপনলক শুবনি। ইন্দিয়া টিমনা ২০০১গী বেঙ্গলুরুদা শান্নখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়র্সতা মখোয়দগী হেন্না রেঙ্ক ৱাংবা য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসপু (য়ু এ ই)বু গোল ১-০দা মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা চহী ২৫গী মতুং সিটি অসিনা ইন্দিয়ন টিমবু মখোয়দগী হেন্না রেঙ্ক ৱাংবা টিম অমগী মায়োক্তা অমুক হন্না য়ূম্বু ওইবগী খুদোংচাবা ফংলগনি।

ইন্দিয়া টিমনা উরুগ্বে, পনামা অমদি ব্রাজিলগা শান্নরবা মতুং চহী অসিগী নবেম্বর ১২ অমদি ১৫দনা ন্যু জিলেন্দগা ফ্রেন্দলি মেটচ ২ শান্নগদৌরি। ন্যু জিলেন্দসু চহী অসিগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, কানাদা অমদি মেক্সিকোনা পুন্না য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ২৩ শুবা ফিফা মেন্স ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াখিবদা রাউন্দ ওফ ৩২গী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদবনি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়ন টিমনা হন্দক্কী ৱার্ল্ড কপ্তা অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবা কেপ ভর্দকা ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচ অমা শান্নরবসু য়াই হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লখিবা লৈখ্রবনি। কেপ ভর্দনা হন্দক অহানবা ওইনা ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াখিবদা রাউন্দ ওফ ৩২ ফাবা ক্বালিফাই ওইখি।

কেপ ভর্দনা মখোয়গী অহানবা ৱার্ল্ড কপ মেটচতা স্পেনগা গোল চন্নদনা দ্রো তাখ্রবা মতুং চেম্পিয়ন্স অনীরক ওইখ্রবা য়ুরুগ্বেগী মায়োক্তসু গোল ২-২দা দ্রো চৎখি। কেপ ভর্দনা মখোয়গী অহুমশুবা অমসুং অরোয়বা গ্রুপ ঐচ মেটচতা সাদি অরাবিয়াগসু গোল চন্নদনা দ্রো চৎতুনা গ্রুপকী অনীশুবা মফম কনখি। কেপ ভর্দনা মখোয়গী ইহান হানবা ৱার্ল্ড কপকী নোকআওট মেটচতা লিওনেল মেসিনা লুচিংবা অর্জেন্তিনাগী মখূৎতা গোল ২-৩দা মায়থীখ্রবসু ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্স অহুল্লক ওইখ্রবা সাওথ অমেরিকাগী টিম অদুবু অরোয়বা মীৎকুপ ফাওবা শান্নখি।



SL/B(KK)/31 (one month)

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com